# ফেব্রুৱারি ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এম আই এফ এফতা মণিপুরগী ফিল্ম অহুম শরুক য়াগদৌরি

MIFF

**একেন সিজগুরুময়ুম**

মণিপুরী ফিল্মনা ফিচর ফিল্ম পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদগী মীওই কয়ানা দোকুমেন্টরি অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়াদা খুৎ থাবা হৌরকখি। ইং ১৯৬৩ দগী মহারাজকুমার প্রিয়োবর্ত্তা সিংহনা কোনুং মনুংগী ওইবা সিন কয়া অমা মহাক্কী মুভি কেমেরেনা কেপচর তৌদুনা থল্লমখি। মখা তানা ফিল্মগী লমদা খুৎ থাবা লময়ানবশিংগী মমিং পনবদা মহাক কৈদৌঙৈদসু নাথৈদুনা থল্লম্বা য়ারোই।

মখা তানা মণিপুরদা ফিল্মগী অকনবা খোঙজেল অমা চেনখৎলকখি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংদ্রিঙৈ মমাংদা কে টি ফিল্মসনা অহানবা ওইনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা শাফবা 'মাইপাক' কী মরমদা পুথোক্লম্মী। মসিনা মীমাং থোক্লা শিংথাবা য়াবা ফিল্ম অমা ওইখি। ফিল্মগী মুভমেন্ট অসিদা পৃথিবীগী ওইনা য়েংলগসু দোক্যুমেন্টরি ফিল্মশিংদা হান্না খুৎ থান্নরম্বদগী তুংদা এন্টরটেন্টমেন্ট ওইবা য়াবা অমদি মীয়ামদা পাউজেল পীবা ফুল লেঙ্ককী ফিচর ফিল্ম কয়া পুথোক্লরকখিবনি।






হন্দক মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা 'মিফফ' হায়রগা খঙনরিবা মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মণিপুরগী ফিল্ম অহুম কম্পিটিসন সেক্সন্দা খনগৎপদা য়াওরে। ফিল্মশিং অদুগী মনুংদা রোমি মৈতৈগী 'কাংখদা লীন' হায়বা ফিল্ম অসিসু য়াওরি। 'কাংখদা লীন' হায়রিবা ফিল্ম অসিবু মহাক্লা সোর্ট ফিল্মগী কেটাগোরিদা শরুক য়ান্নবা থাজিনখিবদা খনগৎলকপা ফিল্ম অমনি।

রোমি মৈতৈ নহা ওইরিবা দিরেক্টর অমনি। ঙসি ফাওবদা মহাক্লা লমদম অসিগী ওইবা ফিল্ম ৩৪ রোম দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখ্রে। মীয়াম্না পাম্নবা দিরেক্টর অমা ওইবতা নত্তনা মহাক্লা পুথোকপা ফিল্মশিংদা তোঙানবা মহাও অমা পীদুনা লাক্লি। ঙসি ঙসিমকসু ইম্ফালগী উষা সিনেমাদা উৎলিবা 'মৌনাও থোইবী' হায়বা ফিল্ম অসিসু মহাক্লা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপনি।

রোমি মৈতৈগী তোপ তোপ্পা অমদি অদুমক থমদুনা লাক্লি। মহাক্লা পুথোকপা ফিল্ম অমদা 'থোইবা' হায়বা মীং অসি ফিল্ম খুদিংমক্তা অদুমক হাপ্তুনা লাক্লি। মসি মহাক্লা থোইবী হায়বা মীং অসি পামজবগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। ফিচর ফিল্মদা খুৎ থাবতা নত্তনা নন ফিচর ফিল্ম অমদি সোর্ট ফিল্ম কয়াদসু রোমি মৈতৈনা হনবা লৈতনা খুৎ থাদুনা লাক্লি। মহাক্কী ফিল্ম কয়া তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিংদা শরুক য়ারুরে, হন্দকসু মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা মহাক্কী ফিল্ম 'কাংখদা লীন' হায়বা ফিল্ম অসি 'মিফফ' কী কম্পিটিসন সেক্সনদা শরক য়ান্নবা খনগৎলক্লি।

রোমি মৈতৈনা পুথোকপা ফিল্মশিং ইন্দিয়ান পেনরোমা সেক্সনদা চঙবগা লোয়ননা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াদসু শরুক য়াখি। ঙসি ফাওবদা মহাক্লা নন ফিচরদা ফিল্ম ১৫ হেন্না পুথোকখ্রবা দিরেক্টর অমনি । মহাক্লা পুথোকপা ফিল্ম 'কাংখদা লীন' ইঙলিস্তা হন্দোকপদা 'স্নেক অন্দরদা বেদ' হায়বা ফিল্ম অসিনা ব্রহ্মপুত্রা ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট সোর্ট ফিল্মগী এৱার্দ ফংলকখি। ফিল্ম অসিমক হন্দক ইম্ফালদা মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৩ দা কম্পিটিসন সেক্সনদা চঙখিবা সোর্ট ফিল্ম অমনি। রোমি মৈতৈগী 'কাংখদা লীন' হায়বা ফিল্ম অসি ষ্টেট অসিদা থল্লিবা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা ফংলিবা চৈথেং অদুগী মরমদা উৎপা ফিল্ম অমনি।

অমরোমদা কম্পিটিসন সেক্সন অসিদা মীয়াম্না হেন্না শকখঙনরবা ফিল্ম দিরেক্টর কে ঐচ বিশ্বামিত্র সিংহগী 'হিনাও' হায়বা ফিল্ম অসিসু হন্দক্কী মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ান্নবা খনগৎলবা কম্পিটিসন সেক্সনগী মনুং চনবা ফিল্ম অমা ওইরে। বিশ্বামিত্র ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা শক্লাইরবা দিরেক্টর অমদি সাইদ রোল এক্টর অমনি। দিরেক্টর অসিনা ঙসি ফাওবদা সেল্লুলোইদতগী হৌরগা দিজিটেল মতম অসি ফাওবদা চাওরাক্লা ফিল্ম ৪৬ রোম পুথোকখ্রে। মহাক্লা পুথোকখিবা ফিল্মশিং অসি মীয়াম্না শিংথানখিবা অমদি পাম্না য়েংনখিবা ফিল্ম ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবদা বিশ্বামিত্রনা সোর্ট ফিক্সন মশিং খঙদনা পুথোকখ্রে। লোয়ননা দোক্যুমেন্টরি অমসুং সেরিয়েল ফিল্ম কয়া দি দি কে ইম্ফালগী খুখাংদা অমদি পি পি সি দুরদর্সন অমদি দি দি কে ইটানগরগী মখাদা পুথোকখ্রে। মহাক্লা হন্দক পুথোক্লিবা ফিল্ম 'হিনাও' হায়বা অসি য়াম্না লায়রবা ইমুং অমদা অঙাং অমনা হোস্পিতালগী ওপরেসন থিয়েটর মমাংদা কৎপা কবোকশিং অদু লৌরগা অমুক হন্না য়োন্দুনা মখোয়গী ইমুং মনুং পুন্নবদা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি। বিশ্বামিত্রনা হন্দক ইম্ফালদা মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোরপোরেসননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল অদুদা মহাক্কী ফিল্ম 'হং হং' হায়বা অসি ষ্টেট এৱার্ড ফংবা ঙমখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। মহাক্কী ফিল্ম অসিদা অঙাংশিংনা তোয় গন পায়দুনা শান্নবদগী শান্নরিবশিংগী মনুংদা নুপামচা অমগী কোর্নিয়াদা প্লাষ্টিক বুলেটনা পানবদগী ওইখিবা অৱাবা অদুদা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি।




অমরোমদা ফেষ্টিভেল অসিদা এলেক্সনা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা ফিল্ম অমসু দোক্যুমেন্টরি সেক্সনদা শরুক য়াগদৌরি। লমদম অসিগী নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়ানা নন ফিচরদা হেন্না মিৎয়েং চঙদুনা মণিপুরী ফিল্মবু মালেমগী থাক্তা পুখৎপদা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লাক্লি। পেনরোমা সেক্সেন্দা মণিপুরী ফিল্মশিংনা কুম কাংদুনা লৈবা মতমদা নন ফিচর ফিল্মগী দিরেক্টরশিংনা ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন কয়াদা মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লি হায়বা অসিদি ষ্টেট অসিনা কাওফম থোক্তে। নহা ওইরিবা দিরেক্টরশিংগী মনুংদা হাওবম পাৱন কুমারগী ফিল্ম কয়া অমসু নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াখ্রে। মখোয়শিংগী মনুংদা ওইনাম দোরেনসু অমনি। মহাক্লা পুথোকপা 'শোং ওফ মসাংবা' হায়বা ফিল্ম অসিনা ঙসি ফাওবদা এৱার্ড কয়া ফংদুনা লাক্লি। হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা মহাক্কী ফিল্ম অসিবু উৎপিনবা হায়রকখি।



রোনেল হাওবমসু ফিচর ফিল্মদা খুৎ থাবা দিরেক্টর অমা নত্তে। মহাক্লা দোক্যুমেন্টরিদা এৱার্ড কয়া ফংলকখ্রবা দিরেক্টর অমনি। মহাক্কী নোংপোক থোঙাকপশিংগী ৱারি হায়বা অসিনা ইং ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা মুম্বাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলগী কম্পিটিসন শরুক য়াখিবগা লোয়ননা কেরালাগী টিরুভনন্টপুরমদা পাঙথোকপা সাইনস ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০০৬ তসু শরুক য়াখি। মমাংগী চহীদা অরিবাম শ্যাম শর্ম্মনা পুথোকপা 'পোনি' হায়বা ফিল্ম অসিসু নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেল থাক্তা এৱার্ড ফংলকপা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমনি।

---

# ৱাখল মপুং ফাদ্রিঙৈদা মৌ ওইরুবগী অৱাবা কয়া উৎলিবা 'মৌনাও থোইবী'

**একেন সিজগুরুময়ুম**

মণিপুরী ফিল্ম হন্দক চহীগী ওইনা ঙসি ফাওবদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরদা প্রিভিয়ু তৌখিবা অসি ৭৫ শুরে। ৭৫ অসিগী মনুংদা ঙসিদগীনা থা অমগী মমাংদা প্রিভিয়ু তৌখিবা ফিল্ম অমনি রোমি মৈতৈগী 'মৌনাও থোইবী' । ফিল্ম অসি বোটতা মীয়ামদা নবেম্বর থাদা উৎখ্রবা মতুংদা ইকুই কুইদনা ইম্ফালগী সিটিমক্তদা লৈরিবা উসা সিনেমা হোলদা হৌজিক হৌজিক উৎলিবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা দিরেক্টরনা পীনিংলিবা ৱাফমদি নহা ওইরিবা চহী মপুং ফাদ্রিবী নুপী কয়ানা নৌনা য়ুম পাল্লকপদা থেংনবা কয়া অদুবু উৎপা ফিল্মনি। ফিল্ম অসিদা লিদিং রোল লৌরিবী 'বালা হিজম' হন্দক ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্ড লৌখ্রবী ইনখৎলক্লিবা আর্টিষ্ট অমনি লোয়ননা মহাক্কা কো এক্ট তৌমিন্নরিবা জি বোনি শর্ম্মসু হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অদুদা বেষ্ট এক্টরগী এৱার্ড ফংখ্রবা এক্টর অমনি।

এক্টর অনী অসিনা পুন্না এক্ট তৌমিন্নবা ফিল্ম কয়া হৌজিক মীয়ামদা তপ্না তপ্না উৎলক্লি। উৎলিবা ফিল্মশিং অসিগী মনুংদা রোমি মৈতৈগী মৌনাও থোইবী হায়বা অসিসু অমনি। মখা তানা মখোয় অনীনা পুন্না কো এক্ট তৌমিন্নবা ফিল্ম অমা হায়রগদি ঙরাং বোটতা উৎখিবা পিলু হৈক্রুজম্না দিরেক্সন পীবা 'তামোয়াইগী ইবেচা' হায়বা ফিল্ম অসিসুনি।

'মৌনাও থোইবী' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা দিরেক্টর অমদি ষ্টোরি রাইটরনা মীয়ামদা পীরিবা পাওজেলদি ৱাখলগী মেচ্যুর ওইদ্রিবা অদুগা ফিজিকেল মেচ্যুর ওইরবা নুপীমচাশিংনা নৌনা য়ুম্বাল লম্বীদা চঙলক্লবা মতমদা থেংনবা অৱাবা কয়া অদুদা য়ুমফম ওইদুনা শাগৎপা ফিল্ম অমনি।



ফিল্ম অসিদা ফৈজাও (বোনি) মতম কুইনা য়ুম পাল্লু য়াদনা লৈরকখিবা পাখঙ অরিবা অমগী শক্তম লাংখি। মহাক্কী অপাম্বা কয়াবু থবক্তা ওহ্নোক্লবা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মমান্নবা অনী ইবোমচা অমদি সুর্জিৎনি। মখোয় অনীগী মতেংনা তোঙান তোঙানবা নুপী কয়া বোনিগা খঙহনখি অদুবু বোনিনা অমত্তা পামখিদে।

নোংমা স্কুল অমগী ময়াদা লাক্তুনা থোইবীগা খঙনখি অমদি ফৈজাওনা থোইবীবু পামখি। মহাক্লা ইনখৎক্লিবা নুপীমচা অসিনা পামগদবা পোৎশক কয়া খুদোল ওইনা পীখিবদগী ইঙাও ঙাওজবী থোইবীনা থৌশারুদনা লৌখি অমদি ফৈজাওগী মোইথেম লাংদা থুদুনা য়ুমগী মৌ ওইখি।

নহা ওইনা য়ুমগী মৌ ওইবনিনা করি তৌগদবনো খঙদবনা স্কুল তল্লিঙৈ মতমদা খঙনখিবা মীওই অমনা নুপা ময়ুমদা মহাকপু তোয়না থিল্লকপা কয়া অসিদগী ফৈজাওনা মহাকপু চিংনখি অমদি থোইবীনা ফৈজাওনা হায়রিবা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা খন্দুনা নুপা ময়ুম থাদোক্তুনা মপামদা লৈখিবা কয়া অসিদা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি।



ফিল্ম অসিদা দিরেক্টরগী ট্রিটমেন্টতা থোইদোক্লা চেকশিন্দবা কয়া উবা ফংদে । ফিল্ম অসিগী ৱারি অসি হৌরক্লিবা চহী নৌরিবা নুপীমচা কয়াদা এদজুকেসন পীবা ফিল্ম অমনি। বালানা লৌরিবা রোল অসিসু মহাক্কী চহী অসিগা চুশিন্নবা খরদি ৱাৎলি অদুমওইনমক মপুং ফানা অদুমক পাঙথোক্তুনা উৎপা ফিল্ম অমদি ওই হায়বা তাই।

নহা ওইরিবী এক্টর অসিনা ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী রোলদা ফিল্ম কয়া অমদা এক্ট তৌখ্রে। মহাক্লা তৌখিবা এক্টশিং অসিবু মীয়াম্না শিংথারি। লোয়ননা কো এক্টর ওইরিবা বোনিসু নেগেটিব রোলদগী মেইন রোল ফাওবদা তোঙান তোঙানবা এক্ট কয়া তৌখ্রবা এক্টর অমনি হায়বা য়াই।





Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*